# রাজ মেদিসিটিদা শেলগী তেংবাং লেপ্পা লৈতনা পীরক্লি

**ইম্ফাল, জুলাই ১৪ (ঐচ এন এস):** চহি অসিগী মে ৩ দগী হৌরগা মণিপুরদা খঙহৌদনা থোকখিবা ভাইওলেন্সকী থৌদোক্লা মরম ওইরগা অশোক অপন নংলবশিংবু রাজ মেদিসিটিনা লেম্না অনা লায়েং চত্থবগী থবক থৌরমশিং পাঙথোক্তুনা লাক্লি। রাজ মেদিসিটিনা ইরাংনা মরম ওইরগা শোকহল্লবা মীওইশিং লেম্না লায়েংবগী থবক্তা মতেং খরদং ওইরবসু ওইনবগীদমক মাইকৈ কয়াদগী শেলগী তেংবাংশিং লেপ্পা লৈতনা হোস্পিটাল অসিদা পীরক্লি হায়না রাজ মেদিসিটিগী মীদিয়া রিলেসন ওফিসারনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অসিনা হায়, ঙসি ইরমসিফাই অৱাং লৈকাইদগী মাইবম শামদেমনা হোস্পিটাল অসিদা লুপা লিশিং ৫০ গী মতেং পীরকখি। ক্ষেত্রিময়ুম অচৌ মীতৈ অমসুং ক্ষেত্রিময়ুম ওংবী মেচৌবীনসু অশোক অপন নংলবশিং লায়েংবদা মতেং ওইনবগীদমক লুপা লিশিং ২০ হোস্পিটাল অসিদা মতেং পীবিরকখি। মসিগী মথক্তা প্রনাপ ওটো মোবাইলস ইন ইম্ফাল, মণিপুরগী প্রোপাইটর উরিকখিম্বম রামেশনা লুপা লিশিং ৫০ মতেং পীরকখি। অপোকপা মরুপ ময়াই লোইশঙ পুন্দোংবমনসু ইরাংনা মরম ওইরগা অশোক অপন নংলবশিং লায়েং চত্থবদা মতেং ওইনবগীদমক লুপা লিশিং ২৫ তেংবাং পীরকখি হায়রি।

অমরোমদা হেলদিয়ম মেদটেক লিমিটেদকী ফিল্ড মেনেজর লাইশ্রম বিপুজিৎনসু লুপা ১,৩৫,০০০ গী ওইগদবা মথৌ তাবা মেদিকেল আইটেম কয়া মতেং পীরকখি। মহাক্না পীরকখিবা মতেং অসিনা মরম ওইরগা অশোকপশিং ত্রিটমেন্ট চত্থবদা চাওনা মতেং ওইরগনি। মসিগী মথক্তা রাজ মেদিসিটিদা হেল্থ কেয়র কম্পনিশিংনা লেপ্পা লৈতনা মতেং পীরক্লি।

বি ব্রাউনগী টেরিটোরিয়েল সেলস ইকজিক্যুটিভ জয়মতি য়েনশেম্বমনা লুপা ১,৫৭,৫০০ অদুগা আই ঐচ এল মেদিকেয়রগী এরিয়া বিজিনেস মেনেজর নিংথৌজম পুরচন্দ্রনা লুপা ৭০,৮০০ হোস্পিটাল অসিদা তেংবাং পীরকখি। হায়রিবশিং অসিনা পীরকখিবা তেংবাংশিং অসিনা মরম ওইরগা হৌজিক থোক্লিবা ভাইওলেন্সকী থৌদোক্লা অশোক অপন নংহল্লবশিং লায়েংবদা হান্নদগী হেন্না ফিভম ফগৎহনবা ঙম্লগনি হায়রি।

অমরোমদা রাজ মেদিসিটিগী মহুৎ শিল্লগা হোস্পিটাল অসিগী চিয়রমেন এন্দ মেনেজিং দিরেক্তরনা তেংবাং পীরকখিবশিংবু থাগৎপা ফোংদোরক্লি। হোস্পিটাল অসিদা তেংবাং পীরকখিবা মাইবম শামদেম, ক্ষেত্রিময়ুম অচৌ মীতৈ, ক্ষেত্রিময়ুম ওংবী মেমচৌবী দেবী, লাইশ্রম দিপুজিৎ, জয়মতি য়েনশেম্বম অমসুং নিংথৌজম পুরচন্দ্রনা পীরকখিবা তেংবাংশিং অসিনা অনাবা মীওইশিং মতম শাংনা লেম্না লায়েং চত্থবদা চাওনা মতেং ওইরগনি হায়না ফোংদোরকপগা লোয়ননা হৌজিক থোক্লিবা ইরাং অসিগা মরী লৈননা অশোক অপন নংলবশিংদা অঙম্বা মতেং পাংদুনা লেম্না লায়েংবগী থবক হোস্পিটাল অসিদা মখা তানা চত্থখিগনি হায়না মীদিয়া রিলেসন ওফিসারনা থাদোরকপা চেরোল অসিনা ফোংদোরক্লি।




# মৈতৈশিংনা কুকিশিংবু মণিপুরদগী তান্থোক্লবা হোৎনরে হায়রিবসি অরানবা ৱাফমনি ঃ হেমচান্দ

**ইম্ফাল, জুলাই ১৪ (ঐচ এন এস) :** মণিপুরদা হৌজিক থোক্লিবা থৌদোকসিগা মরী লৈননা নেসনেল অমসুং ইন্টরনেসনেল মীদিয়াশিংদা মৈতৈনা কুকি ইচিন-ইনাওশিংবু তমথিনা ওৎ-নৈবীবা, ময়ুম-মকৈ মৈ থাদোকপীবা অমদি মখোয়বু মণিপুরদগী তান্থোক্লবা হোৎনরে হায়না ফোংদোক্লি। মসিগী মথক্তা য়ুরোপিয়ান কম্ম্যুনিটিনা থোক্লিবা থৌদোক অসিবু হিন্দু মেজোরিটি মৈতৈ কম্ম্যুনিটিনা মাইনোরিটি খৃষ্টিয়ান কম্ম্যুনিটিদা এটেক চত্থবা ওইনা ফোংদোকখিবা ৱাফমশিং অসি নাকল নাম্মতগী ওইবা অরানবা ৱাফম ঙাক্তনি হায়না জোইন্ট এক্সন কোর্দিনেটিং কম্মিটিগী চিয়রমেন সী ঐচ হেমচান্দনা ফোংদোরক্লি।

হিরম অসিগা মরী লৈননা কম্মিটি অসিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, নেসনেল অমসুং ইন্টরনেসনেল মীদিয়াশিংদা অরানবা মওংদা পাউদম্লিবা অসি কম্মিটি অসিনা অকনবা মওংদা কন্দেম তৌই। চীংগী দিষ্ট্রিক্টশিংদা মাইনোরিটি ওইরিবসি মৈতৈশিংনি। কুমজা ২০১১ গী সেন্সস মতুং ইন্না কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্তা কুকি ১,৯০,৯৮৮ লৈ অদুগা মৈতৈনা শুপ্লতগী ১৪৭৬ খক্তনি। চুরাচান্দপুর দিষ্ট্রিক্টকী ওইনসু মৈতৈ ৬৫৯৪ দগী হেন্না লৈতে অদুগা কুকি ১,১৬,১৬৩ লৈরি। তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্টকী ওইনা মৈতৈগী মীশিংনা ৪,৬৬৩ ওইবা মতমদা কুকি মশিংনা ২০,২৫৯ ওইরি। তশেংবদি হৌজিক মণিপুরদা থোক্লিবা থৌদোক অসি ম্যান্মারদগী চংলকখিবা ইলিগেল কুকি টেরোরিষ্টশিংনা অরোনবা এজেন্দা অমগা লোয়ননা থোকহল্লকখিবনি।

ম্যান্মারদা মিলিটরি জুন্তা লাকখ্রবা মতুং খুৎলাই পায়বা কুকি নহারোল কয়া মণিপুরদা মরুওইনা চুরাচান্দপুর দিষ্ট্রিক্তা লৈরকখিবনি। মদুগী মতুং রিজার্ভ ফোরেষ্ট অমসুং প্রোটেক্টেদ ফোরেষ্টকী লমশিং ইলিগেল ওইবা মওংদা খোপচিনবা হৌরকখিবগা লোয়ননা পোপ্পি প্লান্টেসন পাক-শন্না চত্থবা হৌরকখিবনি।

অমরোমদা মদুবু থীংনবা মণিপুর লৈঙাক্লা হোৎনরুবা অমদি মৈতৈ কম্ম্যুনিটিনা সেদ্যুল ত্রাইব লিষ্টতা চন্নবা হোৎনরুবা অদুগী মিংদা চহি অসিগী মে থাগী ৩ দা কুকি মিলিটেন্টশিংনা ভাইওলেন্সকী ওইবা থৌদোকশিং অসি চত্থবা হৌরকখিবনি হায়রি।

থৌদোক অসিগী ৱারোইশিন পুরক্কে হায়রবদি লোগী মতুং ইন্না পুরক্কদবনি। ভাইওলেন্সকী থৌদোকশিংনা কৈদৌনুংদা ৱাথোক অসিগী ৱারোইশিন পুরকপা ঙম্লোই হায়রি।

# মণিপুরী মনোহরসাইগী ঈশৈ শৈরেং ফোংখ্রে

**ইম্ফাল, জুলাই ১৪ (ঐচ এন এস) :** চিফ মিনিষ্টরগী আর্টিষ্টকী তেংবাং মখাদা জি বাগেন্দ্রোগী মফমদা কৎচবা জি শিবচন্দ্রনা ইবা অদুগা দি দি পব্লিকেসন ইম্ফালনা পুথোকপা মণিপুরী মনোহরসাই সংকৃতনাগী ঈশৈ শৈরেং অহানবা হায়না মিংথোনবা লাইরিক অমা ঙসি উরিপোক খাইদেম লৈকাইদা লৈবা ডা. মিত্রানি ফাউন্দেসন হোলদা ফোংদোকখ্রে।

লাইরিক ফোংবগী থৌরম অদুদা এস এন এ নোর্থ ইষ্ট এদভাইজরি বোর্দ মেম্বর শামুরাইলাৎপম নবচন্দ্র, দিপার্টমেন্ট ওফ সংকৃতনা মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ওফ কলচরগী ঐচ ও দি লৌরেম্বম ধনেশ্বর, মণিপুর ষ্টেট কালা একাদমিগী ইকজিক্যুটিভ মেম্বর অধিকারিময়ুম সনাহল অমদি ইমিনেন্ট ঠিয়েটর এন্দ কলচরেল এক্টিভিষ্টি লোইতোংবম ৱাজমোহোননা মথংশিংনা অথোইবা লেংবীরকপা, অখন্নবা লেংবীরকপশিং অমসুং থৌরম মপু ওইনা শরুক য়াখি।

ক্রিয়েটিভ ম্যুজিক কম্পোজর এৱার্দি, এম এস কে এ ২০২১ য়ুম্নাম সুরেননা লাইরিক্কী মরমদা ৱা ঙাঙলদুনা পাঙথোকখিবা থৌরমগা মরী লৈননা অইবা জি শিবাচন্দ্রনা হাই, মনোহর সাইগী শৈশক অসি ওজা জি বগেন্দ্রদগী তমজহৌবা অদুদা য়ুম্ফম ওইরগা ইজবা লাইরিকনি। ওজা অসিদা ইকাইকুম্নবা উৎপা ওইনা মহাক্কী লাইরিক অসি অহানবা ফোংবনি। মণিপুরগী মনোহরসাই শৈশক অসি তম্লকপা মতমদা খেৎনবা খরা থেংনজখি। অমগা অমগা মান্নদবা কয়া লৈবা অমদি মনোহরসাই তম্নবা হোৎনবদা লাইরিক মরাং কায়না লৈতবগী অৱাবা কয়াসু মায়োক্লখি। অদুবু ওজা বাগেন্দ্রদগী তমজহৌবা খরা অসি তুংদা হৌরক্লিবশিংনা খঙহৌনবগীদমক চিফ মিনিষ্টরগী আর্টিষ্টকী তেংবাং মখাদা ফোংবনি হায়খি।

# ত্রেনিং প্রোগ্রাম পাঙথোক্কনি

**ইম্ফাল, জুলাই ১৪ (ঐচ এন এস) :** রামা ফাউন্দেসন অমসুং মণিপুর মহিলা কল্যান সমিটি দ্যুলালেন্দ কবো লৈকাই অনিনা খুৎশম্নরগা নাগামপাল রিমস রোদতা লৈবা রামা ফাউন্দেসনগী ওফিসতা নুমিৎ নিনিগী ওইবা মুশুরুম কল্টিভেসন টেক্নোলোজি ত্রেনিং অমসুং ভর্মি কম্পোজ শেম্বগী ত্রেনিং প্রোগ্রাম অমা পাঙথোক্কনি। থা অসিগী ১৫ অমসুং ১৬ তা পাঙথোক্কদৌরিবা ত্রেনিং প্রোগ্রাম অসি লেম্না পাঙথোক্কদবনি। ত্রেনিং প্রোগ্রাম অসি পাঙথোকপগী মরুওইবা পান্দমদি হৌগৎলক্লিবশিংনা মশাগী শেন্থোক লম্বী লৈজহনবা অমদি মশানা মশা থবক পীহঞ্জনবনি। ত্রেনিং প্রোগ্রাম অসিদা শরুক য়ানিংবশিংনা মোবাইল নম্বর ৮৭৮৭৭ ৩৪৪৫২/ ৯৪০২০ ০৫৮০৩ দা মখোয়গী বাইও দাটাশিং থারকপা য়াগনি। নত্রগা কোল তৌরক্তুনা অকুপ্পা মরোল খঙবা য়াগনি হায়না রামা ফাউন্দেসনন্না থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

# ৱাখা স্কুল কমপ্লেক্সতা উ চারশিং থাগনি

**ইম্ফাল, জুলাই ১৪ (ঐচ এন এস) :** বন মহোটসভকী শরুক অমা ওইনা ৱাখা স্কুলনা শিন্দুনা ঙসিদগী হৌরগা নুমিৎ ১৫ নি স্কুল অসিগী অকোইবদা উ-ৱা থাবগী থৌরম অমা পাঙথোক্লগনি। থৌরম অসি পাঙথোকপগী মরুওইবা পান্দমদি হৌগৎলক্লিবা মহৈরোইশিংদা উমং য়োকখৎপনা পীবা কান্নবশিং ফংহনবা অমদি ইনভাইরোনমেন্টেল এক্টিভিটি অমসুং প্রোজেক্টশিংদা শরুক য়ানিংবগী ৱাখল্লোনশিং ফাওহন্নবনি হায়না স্কুল অসিগী হেদ মাষ্টরনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

# চিফ সেক্রেটরিদা মেমোরেন্দম পীশিনখ্রে

**ইম্ফাল, জুলাই ১৪ (ঐচ এন এস) :** পেন্সনরশিংগী ওইনা পীথোকফম থোকপা কুমজা ২০১৯ গী এরিয়রশিং অথুবা মতমদা পীথোকপীনবা মণিপুরগী চিফ সেক্রেটরিদা জোইন্ট এদমিনিষ্ট্রেটিভ কাউন্সিল ওফ ওল মণিপুর ত্রেদ য়ুনিয়নস কাউন্সিল অমসুং ওল মণিপুর গভর্নমেন্ট ইমপ্লোয়িস ওর্গনাইজেসননা মেমোরেন্দম অমা পীশিনখ্রে হায়না কাউন্সিল অসিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অসিগী মতুং ইন্না হায়রিবা মেমোরেন্দম কোপি অদু চিফ মিনিষ্টরগী সেক্রেটরি, জোইন্ট সেক্রেটরি (ফাইনান্স), দিরেক্তর ওফ ত্রেজরিদসু পীশিনখি। জে এ সী ওফ এমটুক এন্দ এমজিও মণিপুরনা মশাগী মথৌ পাঙথোকপদা অমদি মীয়ামগী পোপর্টিশিং ঙাক শেনবদা লৈখিদ্রবা ভি দি এফ পার্সোনেলশিং য়াওনা সিক্যুরিটি পার্সোনেলশিংদা ফংফম থোকপা খুদোংচাবশিং অথুবা মতমদা ফংহন্নবগীদমক খন্নরগনি।

হায়রিবা হিরম অসিগা মরী লৈননা থা অসিগী ১৮ দা জে এ সী ওফ এমটুক এন্দ এমজিওগী ওইবা ইমার্জেন্সি জেনরেল বোডি মীটিং অমা অয়ুক্কী পুং ১১ দা বাবুপারাদা লৈবা কাউন্সিল অসিগী ওফিসতা পাংথোক্লগনি হায়রিবা মীফম অসিদা মণিপুরদা হৌজিক থোক্লিবা ভাইওলেন্সকী ওইবা থৌদোক অসিগী মতাংদসু খন্নগনি। মরম অদুনা লমদম অসিদা লৈরিবা ইমপ্লোয়িস, ৱার্করস অমসুং পেন্সনর খুদিংমক্লা মতম চানা লাকপীদুনা পাংথোক্কদৌরিবা মীফম অসিদা শরুক য়াবীয়ু হায়না চেরোল অসিনা অপিল তৌরক্লি।

# ৱাহেংবম য়াইস্না তরাম্না ওকখ্রে

**ইম্ফাল, জুলাই ১৪ (ঐচ এন এস) :** চহী অসিগী ওইনা কাউন্সিল ওফ হায়র সেকেন্দরি এদুকেসন মণিপুর (কোসেম) না লৌবা ক্লাস তুয়েল্বকী পরিক্ষাদা মণিপুর পুম্নগী ওইনা ১৪ শুবা পোজিসন তারকখ্রবা ময়াংইম্ফাল কোচাইদগী ৱাহেংবম য়াইস্না দেবীবু তরাম্না ওকপগী থৌরম অমা কংলৈ ভোল্যুন্টরি ৱাকর্স এসোসিয়েসন অমদি দি সনধা লৈমা ৱুমেন্স এসোসিয়েসন অনিনা শিন্দুনা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা চীফ গেষ্ট ওইনা শরুক য়াখিবা নেস্নেল এৱার্দি ওজা কাঙজম জয়েন্তনা হায়, মহৈ মশিং তল্লিবা অসি লৈঙাক্কী থবক ফংনবা ঙাক্তা নত্তে। য়াম্লবা মহৈরোইশিং লৈঙাক্লা লোয়নমক থবক পীবা ঙম্বা নত্তে। অদুবু অচুম অরান করিনো হায়বা খন্থবা ঙম্নবা অমদি অচুম্বা লম্বীদা চত্তুনা মীয়ামগী সেবা তৌনবগীদমক মহৈ মশিং তম্নরিবনি। মমা মপাশিংনসু অঙাং ৱারকপা মতমদা অতোপ্পা অঙাংশিংগা চাংদম্নরগা ৱারকপীগনু। মদুনা অঙাংশিংদা পুক্লিং হন্থবা পোক্লবগী মচাক অমা ওইরক্কনি। অঙাংশিংনা মখোয়না ঙমজবা থাক্তা হোৎনদুনা ফংলিবা মহৈ অদুদা পেন্থোক্লগা পুক্লিং থৌগৎপীয়ু। মদুনা অঙাংশিংদা হেন্না হোৎননিংবগী মচাক অমা ওইরক্কনি। লোয়ননা অঙাংশিংগী মমাংদা মমা মপাশিংনা অঙাংনা নুংঙাইরোইদবা থবক তৌবীগনু হায়খি।

থৌরম অসিগী অখন্নবা মীথুং ওইখিবী পোজিসন হোল্ডর ৱাহেংবম য়াইস্ননা হায়, মহাক্লা ফিভম অসি য়ৌরক্লবা হোৎনবদা মহাকপু করিদা শোয়খিগদগে হায়না কুপ্না শেন্নরিবা ইমুং মনুংগী মীওইশিং, ওজাশিংগী মফমদা ইকায় খুম্নবা উৎলি। লোয়ননা মহাক্কী তুংগী পুন্সিদা মায় পাকপা ওন্ত্রপ্রেন্যুর অমা ওইরগা অচুম্বা মায়কৈদা মীয়ামগী সেবা মপুং ফানা তৌগনি হায়খি।

MANIPUR UNIVERSITY
CANCHIPUR - IMPHAL

No.MU/3-CESD/Exam/16 — July 12, 2023

**Programme for B.Voc 6th Semester 2023 (June)**

Time: Morning 10:00 am to 01:00 pm

| Date &Day | Paper Code | Paper Title |
|---|---|---|
| 26-07-2023 (Wednesday) | BVGEN 601 | Strategic Management |
| 28-07-2023 (Friday) | BVGEN 602 | Business Laws and Ethics |
| 31-07-2023 (Monday) | BVGEN 603 | Project Formulation and Management |
| 02-08-2023 (Wednesday) | BVTHM 604 | Transportation Management |
| | BVRMF 604 | Merchandise Management |
| | BVFPQM 604 | Food Laws, Safety, Hygiene, Quality testing |
| 04-08-2023 (Friday | BVTHM 605 | Adventure and Eco Tourism |
| | BVRMF 605 | Foreign Exchange Management |
| | BVFPQM 605 | Technology of Meat & Poultry Products |
| 08-08-2023 (Tuesday) | BVTHM 606 | Contemporary Issues and Innovative Practices in Tourism |
| | BVRMF 606 | Elements of Salesmanship |
| | BVFPQM 606 | Quality Control in Food Industry & Instrumentations |
| 10-08-2023 (Thursday) | BVTHM 607 BVRMF 607 | Destination/Industrial Visits/ Case study/ Project/On the Job Training & Viva Voce |

Sd/- Prof. Ng. Nimai Singh
Controller of Examinations (i/c)

HL-B/8221/15 July

**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR: IMPHAL WEST-PATSOI**

**Ref :- Mut. Case No. 217/SDC/IW(P) of 2023**

Ongnam Mandakini Devi W/o O. Birbal Singh of Sagolband Tera Lukram Leirak
- Petitioner/Petitioners

- Vrs -

Late Co-Pattadar No. 2) Sapam Irabot Singh S/o Tomba Singh of Lamjaotongba Lukram Leirak - O.P. Party/ Parties

**ꯈꯪꯍꯟꯕ / NOTICE**

14th July, 2023

Under Section 46 (3) M.L.R. & L.R. Act, 1960 গী মতুং ইন্না মরী লৈনবশিংদা খংহঞ্জরি মদুদি ই: ও: পাৎশোই তাহশিলগী খুল নম্বর 83-Lamjaotongba গী পাটা নম্বর 87 (Old) 251 (New) দাগ নং 516 গী পোইন্ট .39 একর চাওবা ইংখোল অসিগী কো: পাট্টাদার নং ২ অসি মৃত ওইখ্রে। অদুনা মরম ওইদুনা মথক্তা পীরিবা দংকারি অসিনা মহাক্কী স্বতনি হায়দুনা মমিংদা নামা পাঞ্জরগে হায়দুনা উক্তা কোর্ট অসিদা অইবা চেরোলনা দরখাষ্ট থারক্লে; মরম অদুনা মৃত পাট্টাদারগা মরী লৈনবা/লৈনবশিং অমদি মচা মশু, শাগৈ নাতৈ কনাগুম্বনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি লাক্লিবা তাং ২১/০৭/২০২৩ ইংগী অয়ুক পুং ১১.০০ তাবা ফাওবগী মনুংদা অইবা চেরোলনা উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারবা য়াগনি। মতুংদা লাকপা ৱাকৎ লৌজরোই অমদি কোর্টকী হুকুম চৎথরগনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector,**
Imphal West, Patsoi

HL-P/7184/15 July

**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR: IMPHAL WEST-PATSOI**

**Ref :- Mut. Case No. 214/SDC/IW(P) of 2023**

1. Ngairangbam Raghumani Singh S/o (L) Ibochou Singh of Patsoi Part-II Makha Leikai
2. Ngairangbam Shilla Devi W/o Dhiren Singh of - do -
3. Ngairangbam Khelen Singh S/o (L) Ibochou Singh of - do -
4. Ngairangbam Noren Singh S/o (L) - do - of - do -

- Petitioner/Petitioners

- Vrs -

Late Ngairangbam Ibochou Singh S/o (L) Manaoton Singh of Patsoi Part-II - O.P. Party/ Parties

**ꯈꯪꯍꯟꯕ / NOTICE**

13th July, 2023

Under Section 46 (3) M.L.R. & L.R. Act, 1960 গী মতুং ইন্না মরী লৈনবশিংদা খংহঞ্জরি মদুদি ই: ও: পাৎশোই তাহশিলগী খুল নম্বর 80-Patsoi গী পাটা নম্বর 80/115 (Old) 117/1211 (New) দাগ নং 2416 গী পোইন্ট .43 একর চাওবা ইংখোল অসিগী পাট্টাদার অসি মৃত ওইখ্রে। অদুনা মরম ওইদুনা মথক্তা পীরিবা দংকারিশিং অসিনা মখোয়গী স্বতনি হায়দুনা মমিংদা নামা পাঞ্জরগে হায়দুনা উক্তা কোর্ট অসিদা অইবা চেরোলনা দরখাষ্ট থারক্লে; মরম অদুনা মৃত পাট্টাদারগা মরী লৈনবা/লৈনবশিং অমদি মচা মশু, শাগৈ নাতৈ কনাগুম্বনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি লাক্লিবা তাং ২০/০৭/২০২৩ ইংগী অয়ুক পুং ১১.০০ তাবা ফাওবগী মনুংদা অইবা চেরোলনা উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারবা য়াগনি। মতুংদা লাকপা ৱাকৎ লৌজরোই অমদি কোর্টকী হুকুম চৎথরগনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector,**
Imphal West, Patsoi

HL-P/7184/15 July

**IN THE COURT OF ASSISTANT SURVEY & SETTLEMENT OFFICER-IV IMPHAL WEST, MANIPUR**

**Ref :- Mut Case No. 219/AS&SO/IV** — **Date: 6/7/2023**

Langpoklakpam Ongbi Chabungbam Binodini Devi W/o (L) Langpoklakpam Ibochou Singh of Wangkhei Thangapat Mapal
- Petitioner

- Vrs -

(Late) Dr. Langpoklakpam Ibochou Singh S/o (L) Mani Singh of Wangkhei Thangapat Mapal - O.P.

**ꯈꯪꯍꯟꯕ / NOTICE**

Imphal 14/7/2023

Under Section 46 (3) of M.L.R. & L.R. Act 1960 গী মতুং ইন্না খঙহল্লি মদুদি খুল নং ৩৮-ৱাংখৈ পাশ্চিম ব্রহ্মপুরগী পাট্টা নং ১৯৫ অরিবা ৬৫৭/৭০৫ অনৌবা দাগ নং ৫৫১ এরিয়া .১০ একর চাওবা ইঙ্খোল অসিগী পাট্টাদার ডাক্তর লাংপোকলাকপম ইবোচৌ সিংহ অসি মৃত্ব ওইখ্রে। মথক্তা পল্লিবা দংকারি অসিগী মমিংদা নামা পানবিরো হায়না উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা মৃঃ পাট্টাদারগী মচা, মশুশিং, মরী মতাশিং অমসুং ইঙ্খোল অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপিনিংবা লৈরবদি লাক্লিবা তাং 22/7/2023 ইং, ফাওবগী মনুংদা উক্তা কোর্ট অসিদা অইবা চেনা দরখাষ্ট থারগদবনি। করিগুম্বা মথক্তা হায়রিবা তারিক অসিগী মনুংদা ওবজেক্সন তৌরদ্রবদি আইনগী মতুং ইন্না কেস মখা চত্থরগনি। মতুংদা লাকপা আপতি কোর্ট অসিনা লৌররোই।

**Assistant Survey & Settlement Officer-IV**
Imphal West, Manipur

HL-P/7178/15 July

**IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR, IMPHAL WEST, WANGOI**

**Ref :- Mutation Case No. 107/SDC/IW(W)**

Batun W/o (L) Baseruddin of Hiyangthang Pallak

-VS-

(Late) Md. Baseruddin Mia S/o Abdul Gafur Mia of Hiyangthang Pallak

**ꯈꯪꯍꯟꯕ / NOTICE**

Dated/Wangoi, the 13th July, 2023

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act 1960 Petitioner গী মতুং ইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খংহঞ্জরি, মদুদি খুল নং 90-Samurou পট্টা নং 293 (অরিবা) 49 (অনৌবা) গী হাল ডাগ নং 3 (অরিবা) 36 (অনৌবা) গী এরিয়া 0.42000 একর চাওবা লৌফম অসিগী Pattadar অসি মৃঃ ওইখ্রে। মরম অসিনা Pattadar গী লম মখৈ মথক্কী দংকারি অসিনা মমিংদা নমজরি তৌবীরো হায়না উক্তা Court অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। অদুনা মরী লৈনবা য়েৎনিংবা মীওইশিংনা লাক্লিবা তাং 21/07/23 ইং, ফাওবগী মনুংদা Court অসিদা লাক্তুনা নত্রগা অইবা চেরোলনা আপ্তী/ Objection তৌবা য়াগনি। পীরিবা মতম অসিদগী হেল্লবদি মখা তাবা ৱাকৎ তাদনা Court কী হৌনবী মতুং ইন্না থবক মখা চৎথরগনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector,**
Imphal West, Wangoi

HL-P/7182/15 July

**IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR, IMPHAL WEST, WANGOI**

**Ref :- Mutation Case No. 108/SDC/IW(W)**

Batun W/o Baseruddin of Hiyangthang Pallak

-VS-

(Late) Md. Baseruddin S/o Ibochou Makak Mia of Hiyangthang Pallak

**ꯈꯪꯍꯟꯕ / NOTICE**

Dated/Wangoi, the 13th July, 2023

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act 1960 Petitioner গী মতুং ইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খংহঞ্জরি, মদুদি খুল নং 90-Samurou পট্টা নং 5 (অরিবা) 1117 (অনৌবা) গী হাল ডাগ নং 33 (অরিবা) 57 (অনৌবা) গী এরিয়া 0.47000 একর চাওবা লৌফম অসিগী Pattadar অসি মৃঃ ওইখ্রে। মরম অসিনা Pattadar গী লম মখৈ মথক্কী দংকারি অসিনা মমিংদা নমজরি তৌবীরো হায়না উক্তা Court অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। অদুনা মরী লৈনবা য়েৎনিংবা মীওইশিংনা লাক্লিবা তাং 21/07/23 ইং, ফাওবগী মনুংদা Court অসিদা লাক্তুনা নত্রগা অইবা চেরোলনা আপ্তী/ Objection তৌবা য়াগনি। পীরিবা মতম অসিদগী হেল্লবদি মখা তাবা ৱাকৎ তাদনা Court কী হৌনবী মতুং ইন্না থবক মখা চৎথরগনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector,**
Imphal West, Wangoi

HL-P/7182/15 July

MANIPUR UNIVERSITY
CANCHIPUR - IMPHAL

No.MU/9-20/14(E) — July 12, 2023

**Revised Programme for the Term-II (New & Old), Term-IV and VI Diploma Engineering Examination, 2023 (May)**

Time: from 10:00 a.m. to 01:00 p.m.

| Date & Day | Term-II | Term-IV | Term-VI |
|---|---|---|---|
| 26/07/2023 (Wednesday) | | | Irrigation Engg./Industrial Management/Switch Gear & Protection/Fibre Optic Comn/Mechanical Estimation |
| 27/07/2023 (Thursday) | Environmental Science & Development(New)/ Communication in English | | |
| 28/07/2023 (Friday) | | Entrepreneurship Devt./ Env.Edn/PCU & M.Lab/ Material Science | |
| 31/07/2023 (Monday) | | | Prof.Practice&Constn.Management / CSP&Trouble Shooting/Instrume-ntation &Control/Microwave Tech./ Plant Maintenance Engineering |
| 01/08/2023 (Tuesday) | Mathematics-II(New) / Applied Mathematics | | |
| 02/08/2023 (Wednesday) | | Hydraulic/System Software /Electrical Power System / Industrial Electronics & Control/ Manufacturing Process–I | |
| 03/08/2023 (Thursday) | | | Concrete technology / Software Engg/Non-Conventional Energy/ Cellular Technology/ Automobile Enggineering |
| 04/08/2023 (Friday) | Applied Physics-II (New)/ Engg. Science-II | | |
| 05/08/2023 (Saturday) | | Surveying-II/DBMS/ EDC-I/ TSMEE/Fluid Mechanics | |
| 07/08/2023 (Monday) | | | Adv. Constn. Tech/Object Oriented Prog & C++/ UTI Heating & Drive/ Wireless Serving Tech./Entertain- ment Electronics/Welding Tech. |
| 08/08/2023 (Tuesday) | Fundamental EEE(New)/ Engg. Drawing-II | | |
| 09/08/2023 (Wednesday) | | Estimating-I/Computer Comn. & Network/Electrical Machine-I/CST/Termal Engg-II | |
| 10/08/2023 (Thursday) | Introduction to IT System (New)/Introduction to Comp. Prog. & C Prog.Lab | | |
| 11/08/2023 (Friday) | | Design & Detailing-I/Operating Systems/Digital Electronics & Micro Processor-I/EIM / Machine Tools-I | |
| 12/08/2023 (Saturday) | Engg. Mechanics(New)/Mech. of Material (Civil & Mechanical) | | |
| 14/08/2023 (Monday) | | Civil Engg. Drawing-I/ Telecommunication System/Mechanical Drawing | |

**Venue : NIELIT, GOPOLY, Churachandpur College, Moreh College & Kangui Christian College, Kangpokpi.**

Sd/- Prof. Ng. Nimai Singh
Controller of Examinations (i/c)

HL-B/8221/15 July